


রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস ইম্ফালগী দিরেক্টর, দিন (একাদমিক) এন্দ রিসেপসন সব-কম্মিটি ওফ গ্রেজ্যুয়েসন সেরিমোনিনা শিন্দুনা রিমসকী জুবিলি হোলদা গ্রেজ্যুয়েসন সেরিমোনিগী থৌরম



আই জি এ আর (ইষ্ট) ২২ সেক্তর এ আরগী মীৎয়েং মখাদা ৪৪ অসাম রাইফলস তমেংলোং বট্টালিয়ন্না তমেংলোংদা লৈবা এপোলো মার্কেট সেদপু অমুক হন্না নৌহৌননা শেমগৎ শাগৎতুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবা



য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়দা ফমখিবা সী পি আই য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চ কনফরেন্সগী শরুক অমা ওইনা ব্রাঞ্চ অসিগী মীওই ৯না শাবা থৌ পুগদবা ব্রাঞ্চ কম্মিটি অমা খনখিবগা লোয়ননা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখিবা



অসাম রাইফলস পব্লিক স্কুল (এ আর পি এস)গী মহৈরোয়শিংদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল অলকা জেন, এ আর দল্লিয়ু দল্লিয়ু এগী রিজনল প্রসিদেন্ট প্রগতি শরাৱট বৃগেদিয়র সুসিন বিশ্বাসনচিংবনা স্কুলগী য়ুনিফোর্ম, লাইরিক অমদি ষ্টেসন্নরিশিং য়েন্থোকখিবা

## এল এস টি বিগী মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস): লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ (এল এস টি বি)না শীন্দুনা সনামহী লাইনিং চৎলবা ইমুং অমগী থৌরমশিংদা চৎনগদবা চৎন-কাঙলোনশিংগা মরী লৈননা ফমখিবা মেরা মীফমদা তাখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না পেনেল ওফ দিস্কসনগী মীফম অমা হয়েং মে ২২গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা হয়িং খোংবান উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী শঙলেনদা পাঙথোক্লগনি। পেনেল মেম্বর ওইবীনিংবা মীওইশিং অমদি চেবাও ফংবীরবশিংনা মতম চানা লাকপীদুনা খন্ন-নৈনবা অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়না এল এস টি বিগী মেম্বর সেক্রেটরি মাইস্নাম শিবদত্ত লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

## ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিওলোজি অমদি য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি মেঘালয়া (য়ু এস টি এম) অনীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোরকখিবা রিছার্স ইথিক্সকী ৱার্কশোপ অমা লোইশিনখ্রে হায়রি।

অসিগুম্বা ৱার্কশোপ অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি য়ু এস টি এমনা অহানবা ওইনা শীন্দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা য়ু এস টি এমগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর জি দি শর্ম্মা অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এন্দ লোকেন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রনা সাইন্টিফিক রিছার্স, ইথিকেল কোদ অমদি য়ু জি সীনা পীরিবা একাদেমীক রিছার্সকী মতাংদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা রিছার্সকা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি। নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপকী থৌরম অদুদা তেজপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিওলোজিগী প্রোফেসর চন্দন কুমার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিওলোজিগী হেদ প্রোফেসর রাজেন্দ্র ক্ষেত্রি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এন্থ্রোপোলোজিগী হেদ অমদি ইন্সটিট্যুসনল হ্যুমেন ইথিক্স কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা প্রোফেসর এস জিবোন কুমার, এম য়ুগী ডা. য়ুম্লেম্বম খোগেন, য়ু এস টি এমগী ডা. য়েলেম প্রিয়াম্বদা, নাগালেন্দ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর তেমজেনসোসাং অমদি য়ু এস টি এমগী ডা. সন্দিপ গুপ্তনচিংবনা রিছার্স ইথিক্সকী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

## য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস): অসাম রাইফলস পব্লিক স্কুল (এ আর পি এস) মন্ত্রিপুখ্রিগী মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মহৈরোয়শিংদা ঙসি লাইরিক, স্কুল য়ুনিফোর্ম অমদি ষ্টেসন্নরিগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না এ আর পি এসকী প্রিন্সিপাল ডা. অলকা জেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এ আর দল্লিয়ু দল্লিয়ু এগী রিজনল প্রসিদেন্ট প্রগাতি শরাৱট, চ্যেরমেন বৃগেদিয়র সুসিন বিশ্বাস, ভাইস চ্যেরমেন কর্নেল তুসার ধশমানা, এ আর পি এস মন্ত্রিপুখ্রিগী প্রিন্সিপাল ডা. অলকা জেন অমদি স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি। মহৈরোয়শিংদা লাইরিক, য়ুনিফোর্ম অমদি ষ্টেসন্নরিগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এ আর দল্লিয়ু দল্লিয়ু এগী রিজনল প্রসিদেন্ট প্রগতি শরাৱটনা মহৈরোয়শিংগসু ইন্টরেক্সন তৌখি হায়রি।

## ঈশিং-ঈচাউনা মরম ওইদুনা পোৎকী মমল হেনগৎনা য়োনবীগনু : কম্মিটি

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) : প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সী এম)না পরিং নাইনা চথরকপা পোৎ-চৈ মমল হেন্না য়োনবা, দুকানশিং কাঙলোন চুম্না ফন্দ্রা, ৱেট শুনা লৈরিবশিংদা পীব্রা, প্রাইস লিষ্ট থেৎপ্রা হায়বনচিংবা অমদি মণিপুরদা লৈরিবা কৈথেলশিংদা গভর্ণমেন্টনা পীবা গাইদলাইনশিংবু চৎনরিব্রা হায়না য়েংশিন্দুনা লাক্লি। হৌজিক হৌজিক ঈশিং-ঈচাউগী অৱাবা নংলিবা অসিদা দুকান ফল্লিবা মীওইশিংনা অমদি অচৌ-অচৌবা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা খুদোংচাবা লৌদুনা পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎনা য়োনবীগনু হায়না প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সী এম)গী কনভিনর পব্লিসিটি কম্মিটি লাইখুরাম জয়েন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হৌখিবা নুমীৎ খরনি মমাঙদগী নোংলেপ্পা লৈতনা চুরকপদগী মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঈশিং-ঈচাউ থোকপগা লোয়ননা চীং নীংখায়দুনা মণিপুরগী মরুওইবা লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী কয়া ফাওনদদুনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ-চৈশিং পুশিল্লকপদগী থবক লেপখিবদগী হান্না লৈজরিবা পোৎ-চৈশিং খক্তমক য়োলহল্লকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা বিজিনেস তৌরিবশিংনা পোৎ-চৈগী মমল কা হেন্না য়োল্লি। পোৎ-চৈগী মমল কা হেন্না তাঙখৎনা য়োনবগী মথক্তা এক্সপিয়রি ওইরবা পোৎ-চৈ ফাওবা য়োল্লব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। মসিনা ইরমদম অসিদা হিংমিন্নরিবশিংগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া নাহন্দুনা অমদি হকচাং ফৎতনা লৈনবগী লম্বী অমা ওইহল্লক্তুনা মণিপুরী মীয়ামগী পুন্সি লম্বী তেনশিল্লক্লবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মীপুম খূদিংমক্তা খঙহনবা অমদি খঙমিন্নবা অমা চঙলি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা গভর্ণমেন্টনসু মসিগুম্বা বিজিনেস তৌরিবা মীওইশিংনা চথরিবা থবক থৌরমশিং অসিদা অখন্ননা মীৎয়েং চঙবীদুনা অচৌ-অচৌবা বিজিনেস তৌরিবশিংনা মখোয়-মখোয়না তৌনিংবতা তৌদুনা লৈরিবা অসিদা লোগী ওইবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু। মদুনা লমদম অসিদা লোলৈরি হায়বসি মখোয়নসু খঙজবা ঙমগনি অমদি লৈঙাক্লসু উৎপীয়ু। মীওইবগী পুন্সিদা শান্নরল্লিবা পুন্সি মাঙবা য়াবা থবক থৌরমশিং অসি মখা তানা থোক্তনবা প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সী এম)না কৈথেলশিংদা য়েংশিন খোঙচৎ চৎপা হৌরগনি। মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌবীয়ু হায়রি।

## মৱাই কসোম খুল্লেন্দা য়ু পি এফনা শীন্দুনা আয়ুশ ফ্রী হেল্থ কেম্প অমদি এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক মশা-মউ ফন্না তীঙং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা শেম্নবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা তাঙ্কক নাইনা চথরল্লিবা হেল্থকেম্প অমদি এৱ্যের্নেস পীবগী থবক থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মৱাই কসোম খুল্লেন্দা আয়ুশ ফ্রী হেল্থ কেম্প অমদি এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা অয়ুশ ফ্রী হেল্থ কেম্প অমদি এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদু য়ু পি এফ মণিপুরনা শীন্দুনা নেসনল আয়ুশ মিসন (এন এ এম)গী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট আয়ুশ সোসাইটি মণিপুর, দিরেক্টোরেট ওফ আয়ুশ লম্ফেলপাৎ, অয়ুর্বেদিক ডোক্তর্স এসোসিএসন ওফ মণিপুর (অদাম)গা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মৱাই কসোম খুল্লেনদা পাঙথোকখিবা অয়ুশ ফ্রী হেল্থ কেম্প অমদি এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা মৱাই কসোম খুল্লেনগী য়াল্লবা খুঞ্জাশিংনা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংখিবগা লোয়ননা তঙাইফদবা হিদাক-লাংথকশিংসু লেম্না য়েন্থোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা আয়ুশ ফ্রী হেল্থ কেম্প অমদি এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা মৱাই কসোম খুল্লেনগী ভিলেজ সেক্রেটরি ইনোক কৈসিংনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, চীংগী থাপ্পবা মফম অমা ওইবদা নত্তনা লম্বী-থোংগী ফীভমসু য়াম্না ফৎতনা লৈরিবা মৱাই কসোম খুল্লেনদা য়ু পি এফ অমদি তোঙান তোঙানবা সোসাইটিশিং অমসুং এসোসিএসনশিং লাক্তুনা খুঞ্জাশিং অসিনা নাদ-য়েক্তনা মশা-মউ ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা অসিগুম্বা ফ্রী হেল্থ কেম্প অমা পাঙথোকপীরকপা অসি খুঞ্জাশিংগী ওইনা য়াম্না লাইবক ফবনি। লোয়ননা ফ্রী হেল্থ কেম্প অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরিবা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) অমদি আয়ুশকী ডোক্তরশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং অসি মখা তানসু চথবীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। থৌরম অসিনা চীং অমদি তমগী মরক্তসু অফবা পুরক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) : খুরাই লম্লোং কৈথেলগী লূপ অমা ওইরিবা লম্লোং কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপ ইম্ফাল ইষ্টকী জেনরেল বোদিগী মীফম অমা থৌদাম দাসুনা থৌরম মপু ওইদুনা লম্লোং কৈথেলদা পাঙথোক্লবা মতুং চৎলিবা চহী ২০২২-২৪গী ওইনা নৌনা থৌ পুগদবশিং মীওইশিং খনখ্রে হায়না লম্লোং কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপকী এক্স-জেনরেল সেক্রেটরি রাজকুমারী ধনপতিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

লূপ অসিগী কুমজা ২০২২-২৪গী ওইনা নৌনা থৌ পুনবা খনখ্রবা মীওইশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা রাজকুমারী ধনপতি; ভাইস প্রসিদেন্টতা হাওরুংবম রাশি, পি সোরি, থৌদাম সনাহনবী, এল মুক্তামনি; জেনরেল সেক্রেটরিদা ৱাহেংবম ইবেচাওবী; জোইন্ট সেক্রেটরিদনা কে ঐচ অরুনা, এল থাজমানবী, এন রেনু, টি ঐচ সনামচা অমদি ট্রেজররদনা মোইরাংথেম মুহিনিনি হায়রি। লম্লোং কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপকী থৌ পুনবা নৌনা খনখ্রবা মীওইশিং অসি লূপ অসিগী ফমখিবা জেনরেল বোদিগী মীফম অদুদা খুদক্তগী থৌ পুবা হায়বা ৱারেপসু অমত্তা ওইনা য়ানদুনা লৌখি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা খুরাই লম্লোং বজারদা লৈবা কৈথেল ফম্বী নুপীশিংনা পুনশিন্দুনা শেম্বা লম্লোং কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপ হায়রিবা লূপ অসিনা হৌখিবা চহী কয়াদগী খুরাই লম্লোং কৈথেল অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং অমদি কৈথেল অসিবু লূ-নান্না থম্নবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লাকখিবগা লোয়ননা ইরমদম অসিগী ঈহৌ কয়াদসু লম্লোং কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপ নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং কয়া য়াদুনসু লাকখিবনি হায়রি।

## খোরিরোল শন্দোকলূপকী মনাশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) : খোরিরোল শন্দোকলূপ, ৱাংজিংগী ৪৫শুবা মপোক নুমীৎ লাক্লিবা চহী অসিগী জুন ৮দা পাঙথোক্কদবা থৌরমগী মনুং চন্না লান্থোক্কদবা কুমজা ২০২২গী মনা ফংগদবা মীওইশিংগী মমিং লাউথোক্লে হায়না খোরিরোল শন্দোকলূপ, ৱাংজিংগী সেক্রেটরি অবুজম নোংপোকনিংথৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, কুমজা ২০২২গী খোরিরোল শন্দেনাকলূপ, ৱাংজিংনা লান্থোক্কদৌরিবা মনাশিং অদুদি ইবোতোম্বা নীংশিং সাহিত্য সেবক মনাদা আর কে গুনচন্দ্র অমদি ওক্রম মনি; তৌদ্রি হায়বা লাইরিক্কীদমক ডা. সোইবম কুমার নীংশিং খোরিরোল মনা জহরলাল নিঙোম্বমদা পীরগনি। তারমদনা পাইখ্রগদ্রা হায়বা লাইরিক্কী অইবা লাইশ্রম শ্যামোদা তেকচম কামিনি কুশ লোইদাং খোরিরোল মনা; ঐ মমানি হায়না মিংথোনবা লাইরিক্কী অইবা ভোরোত সনসমদা খোরিলূপ বেষ্ট বুক ওফ দি য়র মনা; ঈ তৈরবা থাবল লাইরিক্কী অইবা ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম অমদি নুপী মপোককী অইবা হৈখাম চাওবদা থোকচোম অমুবা শাষ্ট্রি নীংশিং খোরিরোল মনা অমসুং অহোংশাংবম ইবোমচাদা থৌগল্লোই হেন্থোই মনাশিং অসি পীরগনি হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খোরিরোল শন্দোকলূপ হায়রিবা লূপ অসি লমদম অসিগী অইবা-অইবীশিং অমদি খোরিরোলগী লমদা থৱায় হকচাং য়াওনা চেন-চোংলিবা মীওইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপগী থবক তৌরিবা লূপ অমনি। লূপ অসিনা চহী খূদিংগী পীবা তোঙান তোঙানবা মনা অমদি এৱার্দ অসি হন্দক চহীগী ওইনসু লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট য়াওনা পাঙথোকপা মীফম অমদা জুরিশিংনা পীরকপা চেরোলশিং য়েংলবা মতুংদা খোরিরোল শন্দোকলূপনা লান্থোক্কদবা মনা ফংগদবা মীওইশিং অদুগী মিং লাউথোকখিবনি। খোরিরোল শন্দোকলূপনা লান্থোক্কদৌরিবা মনাশিং অসিদা শকখঙ চে, শেল অমদি ইন্নফি য়াওরি। মনা অসি চহী অসিগী লাক্লিবা জুন ৮দা পাঙথোক্কদবা লূপ অসিগী ৪৫শুবা মপোক কুমওনগী থৌরমদা য়েন্থোক্কনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী খোরিরোল শন্দোকলূপ মণিপুরী সাহিত্য প্রচারক সভানা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা অইবা-অইবীশিংবু পূক্নিং থৌগৎনবগী পান্দমদা লূপ অসিনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মনাশিং অসি লান্থোক্তুনা লাকখিবনি।

## দোলাইথাবীদা ৱর্ল্ড হোনি বী ওবজার্ভেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) : মালেমগী ওইনা পাঙথোক্লরিবা ৱর্ল্ড হোনি বী দে ওবজার্ভেসনগী থৌরম অমা ওইনা মণিপুর এদ্যুকেসনল দিভেলপমেন্ট এন্দ রিছার্স এসোসিএসন (এম ঈ দি আর এ)না কে ভি আই সী ইম্ফালগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা দোলাইথাবী (পুখাও)দা পাঙথোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

থৌরম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি বী কিপ্পিংগী মরমদা মীয়ামদা খঙহনবা অমদি মসিনা ইমুংগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবনি। ৱর্ল্ড হোনি বী দে ওবজার্ভেসনগী থৌরম অদুদা কে ভি আই সীগী দিরেক্টর দেৱান, এগজিক্যুটিভ দি আর লামা, ডা. এস সুভামিনন অমদি ৱাই ইবোমচানা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। থৌরমদুগী মনুং চন্না কে ভি আই সীগী দিরেক্টরনা বী কিপ্পিংগী কান্নবা অমদি শেন্থোক লম্বীগী মতাংদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা তাকপী তম্বীখিবগা লোয়ননা ভিলেজ অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী শেন মীৎলোন ফগৎনবগীদমক্তসু অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

দি আর লামানসু থৌরমদুগা মরী লৈননা বী কিপ্পিংনা পীবা কান্নবা অমসুং শেন্মীৎলোনদা চাউনা কান্নবা পীবশিংগী মতাংদা অমদি ডা. এস সুভামিনননসু মালেম অসিদা করিগীদমক ৱর্ল্ড হোনি বী দেগী থৌরম পাঙথোক্লিবনো হায়বগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফেঙদোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা উ চারা থাবা অমদি দ্রোৱিং কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

## বাইক রেল্লি পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস): ভারত পরিক্রমা ওফ ক্রীরা ভারতিনা স্পোন্সর তৌদুনা হয়েং মে ২২গী অয়ুক পুং ৮ লোম তারকপা অদুৱাইদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতনা শরুক য়াদুনা বাইক রেল্লিগী থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না ক্রীরা ভারতি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট টি সুভাসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, বাইক রেল্লি অদুদা ব্রহ্মপুর নান্দৈবম লৈকায়দগী ৱাঙু, কুম্বী, মোইরাং, বিষ্ণুপুরনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোয়না চৎকনি হায়নসু ক্রীরা ভারতি মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরল্লি।

## ষ্টেট গভর্ণমেন্টপু য়ু পি টি এ এমনা থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী ওজাগী শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা য়াম্না ৱানা মতম শাংনা ঙাইদুনা লাকখ্রবা রেক্টিফিকেসন ওফ পে/সেভেন্থ পে কম্মিসন অসি চহী অসিগী হৌখিবা মে ১৮দা ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটনা পাস তৌবীখিবা অসিদা য়ুনাইটেদ প্রাইমারী টিচর্স এসোসিএসন মণিপুর (য়ু পি টি এ এম)না হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না য়ু পি টি এ এমগী সেক্রেটরি বিবাৎসু সলামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুন হায়, য়ুনাইটেদ প্রাইমারী টিচর্স এসোসিএসন মণিপুরগী মায়কৈদগীসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী অসিগুল্লবা য়াম্না লেমজনিংঙাই ওইরবা খোঙথাং অসি লৌখৎপীরকপগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎচরি। লোয়ননা ওজাশিংনা সর্ভিস করিয়র অসিদা কথোকপগা লোয়ননা খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংবু লমজিংদুনা তীঙং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। লৈঙাক অসিগী থৌরম থৌগায় খূদিংমক্তা মপুং ফানা মতেংসু পাংগনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, রেক্টিফিকেসন ওফ পে/সেভেন্থ পে কম্মিসন পাস তৌবীদুনা ওজাশিংদা মদুগী ফংফম থোকপশিং ফংহনবীয়ু হায়বগী খোঙজং ওইনা ওজাশিংনা চথদুনা লাকখিবা ব্লেক বেজ থেৎতুনা দেমোক্রেটিক কেম্পেন অদুদা মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্বদা অকায়বা পীদনা চথখিবা খোঙজং অদুবু শৌগৎপীখিবা ওজা খূদিংমকপুসু ঈকায়খুম্নবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ওজাশিংনা মতম কয়াদগী তান্দুনা লাকখিবা দিমান্দ অদু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা খঙবী-উবীবদগী দিমান্দ অদু পীবীরকখিবনা মরম ওইদুনা ওজাশিংনা চঙশিনখিবা ব্লেক বেজ থেৎপগী খোঙজং অদুসু মীকুপ অসিদগী লোইশিঞ্জরে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরল্লি।

পনবা য়াবদি, রেক্টিফিকেসন ওফ পে/সেভেন্থ পে কম্মিসন অসি য়ুনাইটেদ প্রাইমারী টিচর্স এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা য়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি উবীরদুনা ফংহনবীয়ু হায়দুনা খোঙজং কয়া লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি।

## গ্রেজ্যুয়েসন সেরিমোনিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস): রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস ইম্ফালগী দিরেক্টর, দিন (একাদমিক) এন্দ রিসেপসন সব-কম্মিটি ওফ গ্রেজ্যুয়েসন সেরিমোনিনা শিন্দুনা ঙসি রিমসকী জুবিলি হোলদা গ্রেজ্যুয়েসন সেরিমোনিগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা গ্রেজ্যুয়েসন সেরিমোনিগী থৌরম অদুদা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মিনিষ্টর ওফ মেদিকেল, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের ডা. এস রঞ্জননা অথোইবা মীথুংলেন, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী দিরেক্টর ডা. এ শান্তনা থৌরম মপু অমদি নোর্থ ইষ্টর্ন ইন্দিরা গান্ধী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ হেল্থ এন্দ মেদিকেল সাইন্স শিল্লোংগী দিরেক্টর ডা. নালিন মেহতা অমসুং রাবিন্দ্রনাথ টেগোর ইন্টরনেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ কার্দিয়েক সাইন্সেস, কোলকত্তাগী চীফ কারদিয়েক সর্জন ডা. ললিত কপুরনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর ডা. এস রঞ্জননা হায়, ডাক্টর হায়বসি মীওইবগী অনীশুবা লাইনি হায়না খন্নরিবনি। মীওইবগী পুন্সি কনবদা ডাক্টরশিং অচৌবা থৌদাং লৈ। অদুবু করিগুম্বা মতমদা পেসেন্ট অমদি ডাক্টরশিংগী মরক্তা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ হেক হেক তারি। পেসেন্ট খুদিংমক্কী অপাম্বা ডাক্টরশিংনা থুংহনবা ঙম্বা নত্তে। অদুবু ডাক্টরশিংসু খাঙবা কনবা মথৌ তাব্রা হায়না খল্লি।

ঙসি গ্রেজ্যুয়েসন সেরিমোনিদা শরুক য়ারিবা মহৈরোয়শিং অসিনা তুংদা লাক্কদবা নৎত্রগা থোরক্কদবা থৌদোক ৱাথোক কয়াদা মীওইবগী পুন্সি কনবগী অচৌবা থৌদাং লৌরক্কদৌরিবনি। কথোকপগা লোয়ননা ঙসিগী গ্রেজ্যুয়েসন সেরিমোনিদা শরুক য়ারিবশিংনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ঙসি গ্রেজ্যুয়েসন সেরিমোনিদা শরুক য়ারিবা মহৈরোয়শিং অসি ২০১৬ বেটচকীনি। মহৈরোয়শিংগী মরক্তগীসু ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা মখোয়বু করিদা শোয়খিগদগে হায়দুনা কুপ্না শেন্নদুনা লাকখিবা ওজাশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি অমদি তুংদা মায় পাকপা ডাক্টর ওইনবা অকনবা মওংদা হোৎনগনি হায়বা ৱাফমশিংসু থম্নখি।

## কুমজা ২০১৮দগী শাবা হৌখিবা মহৈলোয়শঙ ঙসি ফাওবা লোইশিন্দবদগী মহৈরোয়শিংদা মতম চানা শীজিন্নবা ফংহন্দবা লাইবক থীবনি : দেসাম

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) : দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না মণিপুরদা হৌখিবা চহী কয়াদগী ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্নবা হোৎনরকপগী পরিংগী শরুক অমা ওইনা মার্চ রিফোর্মেসন কেম্প্যেন হৌখিবা চহী কয়াদগী চথদুনা লাকপা অদু মার্চ রিফোর্মেসন কেম্প্যেন ফেজ -৩ চৎলিবা চহী অসিগীসু দেসাম হেদ ওফিসকী সেক্রেটরি এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমীক এফ্যের্স থৌনাওজম সোমোল লুৱাংনা লুচিংবা টিমনা হৌদোকপগা লোয়ননা ৱাংজিংদা লৈবা তেন্থা হায় স্কুলদা য়েংশিনখ্রে। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা য়াম্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবগা লোয়ননা থম্মোয় কায়নিংঙাই ওইবা মওংদা লৈরম্বা থৌওং কয়া থেংনরকখ্রে হায়না দেসাম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী ভাইস প্রসিদেন্ট ভক্তচারিময়ুম রাকেশ শর্ম্মনা থাদোরকপ চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, তেন্থা হায় স্কুল হায়রিবা স্কুল অসি ক্লাস থ্রীদগী টেন ফাওবা লৈবা স্কুল অমনি। স্কুল অসিদা হৌজিক হৌজিক ওজা ১৪ লৈদুনা স্কুল অসিদা অঙাংশিং মহৈ-মশিন তাকপীবগী থবক তৌরি। অদুবু স্কুল অসিমক্তদা অখন্নবা সবজেক্টকী ওজা অমত্তা লৈতে। খুদম ওইনা হায়রবদা স্কুল অসিদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা ইংলিস, হোম সাইন্স অমদি কম্প্যুটরনচিংবা তাকপীনবা ওজা অমত্তা লৈহৌদে।

স্কুল অসিগী ক্লাসরুম য়েংলুবা মতমদা ষনগোলদগী হেন্না শাথিবা ফীভমদা য়াম্না শোক্না লৈরম্বদা নত্তনা স্কুল অসিগী ফক্লাংশিংসু অমত্তা য়াওরমখিদে। জিঙ্ঘনা ফোৎপা, হ্বাইট বোর্দ ফাওবা থেৎফম লৈতবা স্কুল অমা ওইরম্বা উরুবদা মহৈরোয়গী লূপ অমনা ওইনা দেসামনা ফাওরিবা থম্মোয় কায়বা অসি মীয়াম্না উরবদি অমুক্কা হেন্না থম্মোয় শোকপা য়াই। অসিগুম্বা স্কুলশিংগী ফীভম অসি উরগা গভর্ণমেন্টকী স্কুল ফগৎহনগদবনি হায়দুনা পাল্লিবা লৈঙাক্লা চীনদা খক্তা কোয়লাউ লাউরবসু লৈহৌরিবা তেন্থা হায় স্কুলগী ফীভম অদুদা করম্বা মমা-মপানা মচাশিংবু কয়াম কুইনা গভর্ণমেন্ট স্কুলদ তমহন্নিংগনি। গভর্ণমেন্টকী লৈরিবা মকোক থোংবা ওফিসরশিংনা খোঙ্গ্রায় নিক্লা ফমদুনা থাগী লাকপা মীয়ামদগী কাখিবা শেলদগী ফংবা তোলোপ ঙাইরগা লৈরিবা অদোম-অদোমগী য়ুমদসু নোংমা শোয়দনা থোক্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। ঙসি শাথিনা মহৈরোয়শিংগী রাইটপু মীয়াম খঙনা ফোঙনা মৎপনি।

স্কুল অসিগী মরমদা মখা তানা থিজিনবা মতমদা স্কুল অসিগী একাদেমীক ব্লোক শারিবা অসি হৌখিবা ২০১৮গী মার্চ ৭তা শাবা হৌখি হায়রি। ৱাফম অসি দেসামনা স্কুল অসিবু শারিবা কন্ট্রেক্টরদা হংলুবা মতমদা খঙলকখিবনি। লোয়ননা কন্ট্রেক্টরনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না চয়েৎনবা অমদি অয়েৎ-অপন কয়া লৈবনা মরম ওইদুনা কোর্টতা মতম শাংনা কেস লৈখিবনা স্কুল অসি মতম চানা লোইশিনবা ঙমদবনি হায়রি।

দেসামনা মতাংসিদা হায়জনিংবদি মহৈ লোয়শঙ হায়বসি মপু পাল্লি হায়বা থবক অদুবু পান্নরিবা অমদি মুন্নরিবা মীওইশিংনা খঙফম থোকই। মদুবু মুন্নরগা অসুম্মক লৈরগদি মাঙজগদৌরিবা অসি ঐখোয়গী তুংগী লাইবক লেপ্পকদৌরিবা য়ুম্বীরেলশিং অদুনি হায়বা কাউবীদবা ফৈ। মরম অদুনা স্কুল অসি অথুবা মতমদা শাদুনা ক্লাসরুম মতিক চানা লৈহন্দুনা মহৈরোয়শিংদা শীন্নদুনা য়াম্না নুংঙাইনা মহৈ-মশিন তমজদুনা তুংগী লাইবক লেপচনবগী তাঞ্জা অদু ফংনবা স্কুল অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীয়ু হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হায়রিবা তেন্থা হায় স্কুল অসিগী মতাংদা কুপ্না থিজিল্লুবা মতমদা স্কুল অসিগী তোঙানবা প্রক্টিকেল অমদি ক্রাফ্টকী রুম অমমমসু হন্দক চহীদা লাক্তুনা শারমখি। শারল্লিবা রুমশিং অদুসু য়াম্না পেন্নিংঙাই ওইবা হায়বদু ওইদে। শাবদা ঙাইরিবা রুমশিং অসিগী পিল্লর কায়বা, নীংখায়বা অমদি হাপফম থোকপা য়োৎ হাপ্তুনা শারম্বসু থেংনখি। অসিগুম্বা থবক তৌরিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না দেসামনা লৌদবা ঙম্লোই। লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওং অসি য়াম্না হকচিন্না লৌই। ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদনা মহৈরোয়শিংনা তমগদৌরিবা স্কুল অসিগী শঙলেনশিংগী মতাংদা কনানা শাবনো হায়বনচিংবা থিজিন্নবগী খোঙথাংশিং দেসামনা শোয়দনা লৌখৎলগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরল্লি।

## তমেংলোংগী এপোলো মার্কেট সেদ ৪৪ এ আরনা শেমজিন-শাজিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) : আই জি এ আর (ইষ্ট) সেক্তর ২২ এ আরগী মীৎয়েং মখাদা ৪৪ অসাম রাইফলসনা তমেংলোংদা লৈবা এপোলো মার্কেটতা নুপীশিংগী ওইবা মার্কেট সেদ অসি নৌনা শেমজিন-শাজিন্দুনা ৪৪ অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্টনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে হায়না পি আর ও দিফেন্সকী লেফটনেন্ট কর্নেল মোহিট ভাইস্নাভানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

হায়রিবা ৱিমেন্স মার্কেট সেদ অসি ৪৪ অসাম রাইফলস বট্টালিয়নগী হেক মায়োক্লবদা লৈবা মফম অমনি। হায়রিবা মফমশিং অসি লূ-নান্না লৈবা হায়বদুসু ওইদ্রি। নোং তারকপা মতমদা ঈশিং থুমজিনবগা লোয়ননা অমোৎ-অকায় পৈশিনফমগী মফম অমা ওইদুনা লাকখিবনি। অদুবু তমেংলোংগী মার্কেট সেদতা থবক তৌরিবা এঞ্চাং-নাপী য়োল্লিবা নুপীশিংনা ৪৪ অসাম রাইফলসতা পাউ পীরকপদগী ৱিমেন্স মার্কেট সেদ অসিগী ৱাল, রূফ, সিমেন্ট ফ্লোর, পেন্টিং ওফ রূফ অমদি হ্বাইট ৱাসিং ৱাল তৌদুনা শেমজিন-শাজিনখিবনি হায়রি।

ৱিমেন্স মার্কেট সেদ শেমজিন শাজিন্দুনা খুৎশিন্নখিবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৪৪ অসাম রাইফসলকী কম্মান্দেন্টনা ঙসিগী মণিপুরগী খুন্নাই অসিদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু শীংথাখি। লোয়ননা লৈবাক অমা শেম্বা মতমদা নুপীশিংনা পীরিবা কন্ট্রিব্যুসন অসি য়াম্না অচৌবা অমনি। অদুগুম্বা থৌদাংশিং অদুবু ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা বট্টালিয়ন অসিনা অঙম্বা মতেং ওইনা ৱিমেন্স মার্কেট সেদ অসি শেমজিন শাজিনবগী থবক পায়খৎখিবনি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট অসি চাউখৎনবগীদমক মাঙথাদুনা থোকপীরক্তুনা অমনা অমগীদমক মতেং পাংনসি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।